হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩ (ফাইনেল রাউন্দ)

# মণিপুর মেঘলায়াগী মখূৎতা মায়থীখ্রে




ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
ওরিষ্যানা যূম্বু ওইদুনা চত্থরিবা ৭৬ শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর হিরো সন্তোশ ট্রোফি২০২২-২৩গীফাইনেলরাউন্দগী ঙসি কেপিটেল ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা মেঘলায়াগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে।

অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচশিংদা সর্ভিসেস অমদি রেলৱেজ মায় পাকখ্রে।

মণিপুর অমদি মেঘলায়া অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা শান্নবা হৌরকপদগী লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ড্রো ওইখি। রেফরিনা মেঘলায়াগী বোর্লিংটনৱারলর্পিবু শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা মেঘলায়াগী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রী কিক্ অমা বোর্লিংটন ৱারলর্পিনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা এটেক চত্থখি। মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী কিষন থোঙাম অমদি খুমন্থেম বিদ্যচন্দ্র শান্নবগী ৫৯ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা শিন্দোক্তুনা রোনাল্ড সাইখোম অমদি নাওরোইবম রোমেন চঙহনখি।

টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী মেঘলায়ানা মণিপুরবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সর্ভিসেসনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি খৃষ্টোফর কামৈনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা সর্ভিসেসকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা অদর্স মটুম্মালগী মহুৎতা সবষ্টিট্যুট চঙলকখিবা বিকাশ থাপানা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা সর্ভিসেসকী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা নারো হরি শ্রেস্থানা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রেলৱেজনা দেল্লীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নুরুদ্দিননা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা রেলৱেজকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

---

ওল ইন্দিয়া সব-জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন

# মালেমঙানবনা বোইজ সিঙ্গলসকী রন্নর্স অপ তাখ্রে




ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
রাজস্থান বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা জয়পুরগী সৱাই মানসিং ষ্টেদিয়মগী ইন্দোর হোলদা থা অসিগী ৫দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া সব-জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৩দা ষ্টেটকী শান্নরোয় মালেমঙানবা হেমামনা অন্দর-১৭ বোইজ সিঙ্গলসকী রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে। রিশব ঙাঙোম অমদি মাংসোন ভেমাই ক্যোভিওগী প্যেরনা অন্দর-১৫ বোইজ দবলসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা য়ু-১৭ বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা মালেমঙানবা হেমামনা মিজোরামগী লালথাজ্বালা ঐচকী মখূৎতা পোইন্ট ১৬-২১ অমদি ১৫-২১দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, অন্দর-১৫ বোইজ দবলসকী সেমীফাইনেলদা রিশব ঙাঙোম অমদি মাংসোন ভেমাইগী প্যেরনা মালসোমলুৱা অমদি মহেন্দ্র কালাহাষ্ঠি অনীগী মখূৎতা পোইন্ট ২১-১৭, ১৫-২১ অমদি ২১-১৮দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় ৩৪না মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবনি।

মালেমঙানবা হেমাম অমদি রিশব ঙাঙোম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাং অমদি নিংথৌখোংদগীনি অদুগা মাংসোন ভেমাই সেনাপটিদগীনি।

---

# গভর্ণরস ট্রোফি মুক্না কাংজৈ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
ষ্টেট অসিগী য়েলহৌ মশান্নশিংবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা ক্রিদা ভারতি মণিপুর প্রান্টনা শীন্দুনা অহুমশুবা গভর্ণরস ট্রোফি মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০২৩ থা অসিগী ১৭তগী হৌদুনা ১৯ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা লাইখুলেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না গভর্ণরস মুক্না কাংজৈ ট্রোফি ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি এস নিমাইচান্দনা খঙহল্লক্লি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্ণরনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি যুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি অতোপ্পা দিগনিটরিশিংসু শরুক য়াগনি।

---

চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল

# য়ু ভি এস এ, কে এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসনবু লাকচনা ৭-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিলোং চজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ও প্রিতম কুমারনা ২ অদুগা এল রামেশ্বর, টি ঐচ নোরেন, কে ঐচ রোমেন, এন ধনজিৎ অমদি এন জি রতনকুমারনা অমমম্ চনবা ঙমখি। বিষ্ণুপুরগী গোল অনী অদুনা নৈখোলেন অমদি জাংখোলেননা চনখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা কৈশামথোং এফ সীনা নাইন এ এম য়াইস্কুল রেঞ্জপু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

কৈশামথোংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম সঞ্জিৎকুমারনা শান্নবগী ১৭ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা গোল অনী অদুগা টি ঐচ শিতলজিৎনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। য়াইস্কুলগী গোল অনী অদুনা জাংমিনলেন গুইটে অমদি এ কে মহেশনা শান্নবা হৌরকপগী ৬ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

---

১৮শুবা সেনা কপ অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল

# এ আই এফ এনা জুভেনাইল এসোসিএসনবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী লমজিং মখাদা সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং ৱাইরিনা শীন্দুনা খুজাম্পাৎ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৮শুবা সেনা কপ ২০২৩ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) ইরেংবন্দনা জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই তোন্দোনবনা শান্নবা হৌরকপগী ১১শুবা মিনটতা ইরেংবন্দগী অহানবা গোল চনখি। এম রিশিকান্তনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা টি ঐচ অভিনাশনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা ইরেংবন্দ টিমগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা জুভেনাইল এসোসিএসনগী কে ঐচ চিংলেনখোম্বা অমদি এম থোইথোইবা অদুগা ইরেংবন্দগী এ অনন্দ য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

---

১১শুবা য়ুম্নাম রাশমণি ইনভাইটেসন হোক্কী টুর্নামেন্ট

# এস ৱাই য়ু সী-বি অমদি এম এল ঐচ এ নুপীগীদা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
মণিপুর হোক্কীগী লমজিং মখাদা য়ুঠ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর (ৱাই সী সী আই সী)না শীন্দুনা ইবুধৌ মাজিং গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১১শুবা য়ুম্নাম রাশমণি মেমোরিএল ইনভাইটেসন অন্দর-১৫ বোইজ অমদি অন্দর-১৭ গর্লস ৭-এসাইদ কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচ অনীদা এস ৱাই য়ু সী-বি উচেক্লোন অমদি ময়াই লম্বী হোক্কী এসোসিএসন (এম এল ঐচ এ) লংথবাল মায় পাকখ্রে।

অমরোমদা, নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচশিংদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই, মৈরা বাশিখোং অমদি এম এল ঐচ এ লংথবাল মায় পাকখ্রে।

নুপীমচাগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা পুল এগী মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সী-বি উচেক্লোননা ৱাই সী সী আই সী-বি অহল্লুপপু ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি রেনুনা শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা উচেক্লোন টিমগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। দব্লিয়ু দাইনানা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা উচেক্লোনগী অহুমশুবা গোল চনখি। কেপ্টেন এস ঐচ তনুনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমগী মতেংদগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

ৱাই সী সী আই সী-বিগী গোল অহুম অদুনা এম প্রিয়ানা শান্নবগী ৩৯ অমদি ৪৬তা গোল ২ অমদি এল নটটুলিনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

অতোপ্পা, পুল বিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা মৈরা বাশিখোংনা ৱাই সী সী আই সী-এ অহল্লুপপু ১০-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মৈরাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে গ্রেসিনা ৫, এন মালেমঙানবীনা ৩ অমদি কেপ্টেন এন কমলানা ২ চনখি।

অতোপ্পা নুপীগী ঙসি অয়ূক শান্নগদবা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সী-এ উচেক্লোন মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী ময়াই লম্বী হোক্কী একাদেমিনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।

অমরোমদা, নুপামচাগী অয়ূক শান্নখিবা পুল বিগী মেটচ অমদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা পোষ্টেরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুরবু লাকচনা ১৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হোক্কী য়ুনিয়নগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মাইবম মনিমতুমনা ৩, য়াইফবনা ৫, বিশালনা ৪, ধোনিনা ২ অমদি বট্টরনা ১ চনখি।

অতোপ্পা পুল সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম এল ঐচ এ লংথবালনা থৌবাল হোক্কী এসোসিএসনবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ময়াই লম্বী টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস সেমসননা শান্নবগী ১৪, ৩২ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। থৌবালগী গোল অনী অদুনা এ ইরাবত অমদি ধনজিৎ আর কেনা শান্নবগী ৪ অমদি ১৩ শুবা মিনটতা চনখি।

---

এম এন সী এ এলিট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা এস সী সী সী ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৭শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা অমদি দব্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লব থাংমৈবন্দনা এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস সী সী সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৫.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৪৮ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২৮দা ৱিকেট ২ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা শীংজমৈ টিমবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দগী বেটসমেন লোকতোংবম সন্তোশ মৈতৈনা বোল ৭০দা রন ৭০, অদিত্য প্রসাদনা আউট ওইদনা বোল ৮৯দা রন ৬৬ অদুগা শীংজমৈগী লাইশ্রম রোন্সননা বোল ৪০দা রন ৪৩ লৌদুনা বেটসমেনগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি। থাংমৈবন্দগী বোলর অহুম থৌনাওজম জেনেশ, কিষন লাইশ্রম অমদি অদিত্য দাসনা ওভর ৬, ৭ অমদি ৭ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌদুনা বোলিংগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা সাইক্লোনগী বেটসমেন লোকতোংবম সন্তোশ মৈতৈনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৭০দা চপ মান্নবা রন ৭০ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পি টি আর সী পাৎসোই অমদি রেস নাগামপাল থেংনরগনি।

---

এলাংবম পিশক ষ্টেট ওপন ভোলিবোল

# এম পি এস সী, এ এম আই এম ৱাই দি ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
য়ু এন টি অমদি এস দব্লিয়ু সী তোপ সিফাই অনীনা খূৎশম্নদুনা শীন্দুনা তোপ সিফাই ভোলিবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৫শুবা এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচশিংদা এম পি এস সী অমদি এ এম আই এম ৱাই দি ও ময়াং ইম্ফাল মেটচ ২/২ মায় পাকখ্রে।

গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা এম পি এস সীনা ৱাই দি এ ফৌবাকচাওবু সেট ৩-২ (২৫-২০, ২৬-২৮, ২৫-১৩, ১৯-২৫, ১৫-১১); ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমবু সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-২২, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেটচ অনীদা এ এম আই এম ৱাই দি ও ময়াং ইম্ফালনা ৱাই পি এ ইশোকপু সেট ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-১৯, ২৫-২৩) অমদি য়ু এন টি তোপ সিফাইবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

---

য়ু এম এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# অশিকা এফ সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
য়ুনাইটেদ মোইজিং ফুটবোল ক্লব থৌবাল মোইজিংনা শীন্দুনা অহানবা য়ু এম এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩ ঙসি মোইজিং প্লেগ্রাউন্দদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা অশিকা এফ সীনা এন ৱাই পি সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তাজখাননা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা অশিকা এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। নৱাজ খাননা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা অশিকা এফ সীগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা অশিকা এফ সীগী গোল অনী চনখিবা তাজখাননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা সুগ্নুগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎ অমদি অতোপ্পা মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেসকী থৌমী কয়াসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

---

# ষ্টেট ভেটরান বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা ৬৫শুবা ষ্টেট ভেটরান (মাষ্টর) বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২৩ ঙসি দি এম কেম্পসতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর হোলদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী স্পেসল সেক্রেটরি এন খেদা ভর্টা সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী চহী ৪০গী কাঙলূপকী রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা দব্লিয়ু ব্রোজেন্দ্রোনা পি ভনমিবু পোইন্ট ২২-২০, ২১-১৫দা মায়থীবা পীখি।

চহী ৫০ কাঙলূপকী রাউন্দ ওফ ১৬কী মেটচ অমদা এন বৃটেননা কে রাজেশপু ২১-১৭, ১৪, ২১, ২১-১৮দা অদুগা চহী ৩৫ কাঙলূপকী রাউন্দ ওফ ১৬কী মেটচশিংদা এস বিনয়কুমারনা জেমসনমোনবু ২১-১৪, ২১-১৯; এন সঞ্জয়না এস নিংথৌজাওবু ৬-২১, ২১-১৪, ২৩-২১; ও সুরেশনা থৌনাওজম ননাওবু ২১-১২, ২১-১৪ অমদি কে রবিশঙ্করনা এন জি রতনজয়বু ২১-১৩, ২১-১৪দা মায়থীবা পীখি।

---

১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোল

# অমোফা ক্বার্টরফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা তাকয়েলগী সাই গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অমোফা মোইরাংনা জুভেনাইল ক্লব তেরাবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টরফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

জুভেনাইল ক্লবকী পূন্সিবনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। রোনাল্ডোনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। মোহমদ ইজ জনা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা অমোফাগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এন ইবুংঙোনা অমোফাগী রেনাল্ডো অমদি রোবর্টসন অদুগা জুভেনাইল ক্লবকী তোমপোকচাওবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এস এ খুরাই অমদি মুভানলাই এথলেটিক্স কাংপোকপী ৪শুবা প্রি ক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি।

---

# ষ্টেট টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে


ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস):
চজিং ৱেলফ্যের ক্লব (সী দব্লিয়ু সী)না শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল টেন্নিস বোল মেন্স ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঙসি লিলোং চজিং ক্রিকেট গ্রাউন্দদা লংথবালগী এম এল এ করাম শ্যামনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা এম ৱাই সী এ অমদি ব্রেন্দন ১১ অনীনা শান্নখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা তোঞ্জম রাজেন্দ্রোনা থৌরম মপূ অদুগা লিলোং চজিংগী কাউন্সিল্লর মাইবম জয়কুমার, ফিল্ম এক্ট্রেস বালা হিজম অমদি পি ঐচ ঈ দিগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনীয়র পুয়াম রম্বোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

---

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 716**

**GM J. Hector (2454) - FM To1 Petersen (2300)**
**60th TCh-DEN Ex 2022-23 Denmark DEN, 2023.01.14**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 g6 | 2.d4 Bg7 | 3.Nc3 a6 | 4.f4 d5 |
| 5.Nxd5 e6 | 6.Ne3 Qxd4 | 7.Bd3 Ne7 | 8.Nf3 Qd8 |
| 9.Qe2 Nd7 | 10.O-O Nc5 | 11.Rd1 Nxd3 | 12.Rxd3 Bd7 |
| 13.Bd2 Nc6 | 14.Rd1 Nb8 | 15.Ng4 Qe7 | 16.Bc3 Bxc3 |
| 17.bxc3 Qc5+ | 18.Kh1 Bb5 | 19.c4 Bxc4 | 20. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 715 Ans. :**

26. Bh6+ The white bishop decoys Black's king. The white bishop deflects Black's king away from protecting the pawn.
Your moves:26.gxf7+
Kxh6 27. gxf7+ With a discovered check by the white rook.
Kh7 28. Qg6+ Kh8 29. Qh6#
26. Bh6+ Kh8 27. Rxd7 Qf6 28. Rxf7
1-0

EDUCITY TUTORIAL CUM HOSTEL
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL-795004
ADMISSION OPEN-2023
FOUNDATION COURSE FOR CLASS - I to X
SUBJECT:-
I to VIII (All Subject)
IX and X (Maths, Eng., Sc., S.Sc)
CLASS TIMING:-
4:00 PM to 7:00 PM (WINTER)
4:00 PM to 7:30 PM (SUMMER)
SPECIAL FEATURES FOR CLASS IX & X:-
* Q & A Analysis (Frequent Weekly Test)
* Possible Suggestion
* Free & printed study materials to each students
* Well Experience Faculties
* Limited Student Intake
* Special Classes for Weakers Students
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FACILITIES FOR HOSTELER:-
1. Clean and Hygienic Food
2. CCTV Campus
3. Ample Space for Reading & Boarding
4. 24 Hrs Supervision with Teachers
5. Yoga and Aerobic Classes for Mental & Physical Health
Class Starting:-
20th February, 2023
& 15th March, 2023
For Classes I to VIII
* Learning Benefits
* Homework Help
* Improves Grades
* Intensive Learning
* Van Facilities
*To and fro - Hostel and School
*To and Fro - Home and School
10% discount for the student who secure 1st to 5th Position in their school
CONTACT: 9612194500/7005349894 OFFICE TIMING: 10:30 AM TO 7:30 PM
HL-P/4983/1,3,5,7,9,11,13,15,17,19

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com